# আই এস এল : এস সী ইষ্ট বেঙ্গল অমসুং নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী দ্রো চৎখ্রে






পনাজি, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী):
গোৱাদা হৌজিক হৌজিক চৎথরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা এস সী ইষ্ট বেঙ্গল অমসুং নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

গোৱাগী তিলক মৈদান ষ্টদিয়মদা ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ তাবদগী লীগ অসিগী ১০৪ শুবা মেটচ ওইনা এস সী ইষ্ট বেঙ্গল অমসুং নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী অনীগী মরক্তা শান্নবা হৌখি। নাকল অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিগী ওইনা টিম অনীনা বোল পায়বগী কা হেন্না খেন্নবা ওইখিদে। মেটচ অসিদা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৫৩ ওইখি অদুগা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীনা বোল পায়বগী চাংনা চাদা ৪৭ ওইখি। নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীনা কোরনর মরিরক কাউবগী খুদোংচাবা ফংখি অদুগা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলনা কোরনর ৩ লক কাউখি। অদুবু ফাউল তৌবগী চাংদি নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফসীনা খরা হেনখি। মেটচ অসিগী অরোইবা ফাওবদা নোর্থইষ্ট এফসীনা ফাউল ১৬ তৌখি অমদি প্লেয়র অনী রেফ্রিনা বুক তৌখি। অদুগা এস সী ইষ্ট বেঙ্গলগী মায়কৈদগীনা ফাউল ৬ তগী হেন্না তৌখিদে।

টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিগী ওইনা চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙম্নখিদে। অমনা অমবু লাকচনা শান্নবা ঙমখিদে। অদুবু মেটচ অসিগী অহানবা হাফকী এক্সট্রা টাইম শান্নখিবদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগী ওষ্ট্রিয়ন প্লেয়র মারকো সহানেকনা মেটচ অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা পাঞ্জল ১-০ দা মাঙজিল থানা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদসু নাকল অনীমক্কী প্লেয়রশিংনা য়াম্না মান্নবা মওংদা হান্নগুম শান্নখি। অদুবু এস সী ইষ্ট বেঙ্গলনা মখোয়গী মায়কৈদা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দে দাক্লবা অকনবা মওংদা শান্নরকখিবগা লোয়ননা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগী মায়কৈ তন্না পুশিল্লকখিবা বোল অমা থিংনবা হোৎনখিবদা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগী প্লেয়রশিংনা মেটচ অসিগী ৫৫ শুবা মিনিটতা বোক্স মনুংদা ফাউল তৌরুবদগী এস সী ইষ্ট বেঙ্গলনা পনালটি কাউনবা খুদোংচাবা অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অসিগী ক্রোএসিয়ন প্লেয়র এন্টোনিও পেরোসেভিকনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিবদগী ১-১ দা মান্ননা লৈখি। অদুবু মখা তানা টিম অনীনা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ১-১ দা দ্রো চৎখি।

# মণিপুরী য়াওবা টিমনা মেদল মরি লৌরকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস):
উজবেকিষ্টানগী কোনুং টাসকেন্টতা থা অসিগী ২৪ দগী হৌরগা ২৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা কেদেট ইন্দিয়ানা ফেন্সিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নবা য়াওখিবা মণিপুরী মচা য়াওবা টিমনা মেদল মরি লৌরকপা ঙমখ্রে হায়না মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি এম কুমারনা খুয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মেদল লৌরকপা ঙমখ্রবা টিমদা য়াওরিবা মণিপুর মচাশিং অদুদি এস নেনসীরোজ, ইপী টিম (সিলভর); দব্লিয়ু সোনিয়া, ফোইল টিম (ব্রোঞ্জ); কে কানে, ইপী টিম (ব্রোঞ্জ) অমদি এল অবি, সেবর টিম (ব্রোঞ্জ) নি। মখোয়না চেম্পিয়নশিপ অসিদা মেদল লৌবা ঙমদুনা লমদম অসিগীতা নত্তনা ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা মীংচৎ পুরকপা ঙমখিবা অদুবু এসোসিএসন অসিনা থাগৎপা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মতুং তাবদসু শান্নরোয়শিং অসিনা শরুক য়াগদবা চেম্পিয়নশিপ অমদি টুর্নামেন্টশিংদা মায় পাক্লা মেদল লৌবা ঙমদুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকপা ওইরসনু হায়রি।

# দানিল মেদভেদেবনা এ টি পি রেঙ্কিংদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱানগী মফম কনবা ঙমখ্রে



মোস্কো, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সি):
ৱার্ল্ড তোপ রেঙ্ক টেন্নিস প্লেয়রশিংগী এ টি পি রেঙ্কিংদা নম্বর ৱান ওইনা লাকখিবা সর্বিয়ান টেন্নিস প্লেয়র নোভাক জোকোভিককী মহুৎ রসিয়ান টেন্নিস প্লেয়র দানিল মেদভেদেবনা মহুৎ শিনবা ঙমখিবগা লোয়ননা এ টি পি রেঙ্কিংদা নম্বর ৱানগী মফম কনবা ঙম্বা টেন্নিস প্লেয়রশিংগী মনুংদা মহাক্লা ২৭ শুবা ওইখ্রে।

মশাগী চহী ২৬ রোম শুরবা রসিয়ান টেন্নিস প্লেয়র অসিনা মমাং চহীদা হান্নগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান নোভাক জোকোভিকপু য়ু এস ওপনদা মায়থিবা পীবা ঙমখিবগা লোয়ননা মহাক্লা পোইন্ট অসি ৮,৬১৫ য়ৌখ্রে। অদুগা হান্নগী টোপ ১ দা লৈরম্লিবা জোকোভিককী পোইন্টনা ৮,৪৬৫ নি। নোভাক জোকোভিকনা রেকোর্দ ওইনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱানগী টাইটলগী মপু চয়োল ৩৬১ ওইবা ঙমদুনা লাকখিবনি।

অমরোমদা মালেমগী ওইনা নুপাগী টেন্নিস প্লেয়রশিংগী খ্বাইদগী মকোক থংবা ফমফম কনবা ঙমখ্রবা মেদভেদেবনা ফোঙদোকখিবদা, অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱানগী টাইটল লৌগে হায়বা ৱাখল্লোনগা লোয়ননা শান্নবা হৌরকখি। মহাক্লা মপুং মরৈ ফারবা মতুংদা অমুক্কা হেন্না মহাক্কী ফিরেপ চেৎশিনখিবগা লোয়ননা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা লাকখিবনি। অদুবু খঙহৌদনা এটি পি রেঙ্কিংদা মহাক্কী মমিংনা খ্বাইদগী মকোক থোংনা লাকখিবা অসিদা মহাক হরাওবা অমদি অঙকপসু ফাওই। মহাক্কী ফেনশিং অমদি অতোপ্পা টেন্নিস প্লেয়র কয়ানসু মঙোন্দা পুক্নিং থৌগৎপা য়াবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপীরকই।

মদুগীদমকসু মহাক্লা ময়াম্বু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

টেন্নিস মশান্না অসিদা মতম শাংনা বিগ ফোর হায়না মালেমগী মীয়াম্না খঙনদুনা লাক্লবা সর্বিয়ান প্লেয়র নোভাক জোকোভিক, স্বিস মাষ্টর রোজর ফেদরর, স্পেনিস টোপ প্লেয়র রাফেল নদাল অমদি গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরেগী মতুংদা টেন্নিস মশান্নদা নম্বর ৱান ওইবা ঙম্বা অহানবা ওইরে। মথক্তা পনখ্রিবা প্লেয়র মরি অসিনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱানগী টাইটল অসি চহী ১৮ কন্দুনা লাকখিবনি।

মমাং চহীগী ওইনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্টশিংদা হান্নগী টোপ সীদেদ নোভাক জোকোভিক্কী পর্ফোমেন্স হন্থরকপগা লোয়ননা থা অসিগী ২৪ দা দুবাই দ্যুটি ফ্রি টেন্নিস চেম্পিয়নশিপগী ক্বার্টর ফাইনেলদা জেক রিপব্লিককী জেরি ভেসলিগী মখুত্তা মায়থিবা নংখিবা অদুনা মরম ওইরগা মেদভেদেবনা নম্বর ৱানগী পোজিসন য়ৌরকপদা হেন্না খুদোংচাবা ওইখিবনি।

# মেয়ঙ্ক অগরৱালবু পঞ্জাব কিংসকী কেপটেন ওইনা খনখ্রে

চান্দিগর, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সি):
ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগতা শরুক য়াগদৌরিবা পঞ্জাব কিংসনা হৌখিবা কুমজা ২০১৮ দগী হৌরগা টিম অসিদা য়াওদুনা শান্নরকখিবা মেয়ঙ্ক অগরৱালবু টিম অসিগী কেপটেন ওইনা খনখ্রে।

টিম অসিগী কেপটেন ওইনা খল্লে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুং মেয়ঙ্ক অগরৱালনা ফোঙদোকখিবদা, পঞ্জাব টিমদা য়াওদুনা শান্নরকখিবা অসিদা মহাক্না অনৌবা মখলগী এক্সপরিয়েন্স কয়া থেংনরক্লে। হৌখিবা কুমজা ২০১৮ তগী মহাক টিম অসিদা শান্নবা হৌরকখিবনি। টিম অসিদা য়াওরবা মতুং মহাক ভাইস কেপটেন ওইদুনা লাক্লি। অমদি হৌখিবা সিজনদা মহাক্লা কেপটেন অমা ওইনা মতম খরা লৈখি। পঞ্জাব কিংসকী টিমবু মহাক্না লুচিংনবা থৌদা অমা শিন্নরক্লিবা অসি মহাক্কী ওইনদি য়াম্না লাইবক ফবনি।

টিম অসিদা হান্নদগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা প্লেয়রশিং য়াওরি। অমদি অনৌবা য়াওরক্লিবা প্লেয়রশিং অসিসু মথৌনা লৈবা অমদি মশাগী তোপ তোপ্পা হৈ শিংবা লৈজবা ওইরি। মরম অদুনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা আই পি এল অসিদা মহাক্লা মহাক্কী টিম খনবদা কা হেন্না লুনা থোক্লোই অমদি কথোকপগা লোয়ননা থবক তৌগনি হায়খি।

# বি দব্লিয়ু এফনা টুর্নামেন্ট খুদিংমক কেন্সেল তৌখ্রে




ক্বালালুম্পুর, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী):
রসিয়ানা মীওইবগী মিনুংশি য়েংদনা অমদি ঈং তপ্না লৈরিবা য়ুক্রেনদা লান চথবা হৌখিবা অদুবু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখিবগা লোয়ননা রসিয়াগী কা হেনবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা বেদমিন্টন ৱার্ল্ড ফেদরেসন (বি দব্লিয়ু এফ) না রসিয়া অমসুং বেলারসতা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা টুর্নামেন্ট খুদিংমক কেন্সেল তৌরে হায়না ফেদরেসন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

বি দব্লিয়ু এফনা রসিয়াগী কা হেনবা থৌওং অসি কন্দেম তৌই। লান তৌবগী মহুত্তা ৱারী শান্নদুনা নাকল অনীগী মরক্তা লৈরিবা য়ান্নদবশিংগী সোলুসন পুরক্কবা হোৎনবনা হেন্না অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। য়ুক্রেনদা লৈজরিবা মরাল লৈতবা মীওই কয়া রসিয়াগী মঙক কনবা ফিরেপ অসিনা অৱাফমদা তাহল্লে। স্পোর্টস প্লেয়রশিংনা মতম পুম্বা নুংশি চান্ননা লৈবা পাম্মী। য়ুক্রেনদা লৈরিবা শান্নরোয় খুদিংমক্কী চেকশিন থৌরাংগী মতাংদা ফেদরেসন অসিনা য়াম্না কুপ্না খন্নরি অমদি পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংনবা হোৎনরি হায়খি।

বেদমিন্টনখক্কী নত্তনা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিং মরু ওইনা ফুটবোলগী ওইনসু ক্লব কয়ানা রসিয়াগা হান্না তৌনখিবা কন্ট্রেক্টশিং কেন্সেল তৌনবা হৌখিবগা লোয়ননা হৌজিক চৎথরিবা লান অসি লেপকদবনি হায়না ফোঙদোক্নরক্লি।

# ওলিম্পিক গোল্ড মেদলিষ্ট য়ুক্রেন আর্মিদা জোইন্ট তৌখ্রে



কিভ, ফেব্রুৱারী ২৮ (ঐচ এন এস):
বোক্সিং মশান্নদা গোল্ড মেদল অনীরক ওলিম্পিক্স এরিনাদগী লৌবা ঙমখ্রবা মালেমগী ওইনা মমিং লৈরবা বোক্সর ভাসিলি লোমাচেনকো রসিয়া লান্মীগা মায়োক য়ানবগীদমক য়ুক্রেন অর্মিদা জোইন্ট তৌখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মনাওনুপা অনী লাদিমির অমসুং ভিটালি ক্লিটসকোসু মরৈবাক্কীদমক খল্লগা অর্মিদা য়াওখ্রে হায়না ঈ এস পি এনগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা কুমজা ২০০৮ অমসুং ২০১২ দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা লোমাচেনকোনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি। মালেমগী ওইনা মহাক অসি খ্বাইদগী হৈবা বোক্সর অমা ওইনা খঙনরিবনি। মহাক হৌখিবা চয়োল অমরোমগী মমাংদা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা পুন্না লৈমিন্ননবা ওদেসাদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা লাকখিবনি। হৌজিক হৌজিক মহাক য়ুক্রেনগী কোনুং কিভকী মেয়র ওইরিবনি। মহাক্লা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী আর্মিদা য়াওদুনা মরৈবাক কন্নবা হোৎনবা হায়বসি মহাক্কী অপাম্বনি। মহাক মশা খুৎলায় পায়দুনা লানফমদা চঙলগনি হায়খি।

# ফিফাগী মেটচশিংদা রসিয়াগী ফিরাল হাইবা অমদি লৈবাক্কী ঈশৈ শকপদা অথিংবা থমখ্রে




জুরিক, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী):
য়ুক্রেন অমদি রসিয়াগী মরক্তা কা হেন্না উংখৎনরকপদগী হন্দক্তা খঙহৌদনা রসিয়ানা লান লাউথোক্তুনা য়ুক্রেনগী মথক্তা লান চথবা হৌখ্রবা মতুং রসিয়াগী কা হেনবা থবক থৌওংশিং অদুবু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখিবগা লোয়ননা রসিয়াদা ফুটবোলগী ইন্টরনেসনেল মেটচ অমত্তা পাঙথোক্লরোই অমসুং রসিয়াগী টিম য়াওবা টুর্নামেন্টশিংদা লৈবাক অসিগী ফিরাল হাইবা অমদি লৈবাক্কী ঈশৈ শকপদা অথিংবা থম্লে হায়না ফুটবোলগী গভর্নিং বোদি অমা ওইরিবা ফিফানা ফোঙদোকখ্রে।

ফিফানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, রসিয়ানা হান্নগুম নেসনেল টিম অমা ওইনা শরুক য়াবদসু অথিংবা থম্লগনি। অদুবু লৈবাক অদুদা লৈরিবা ফুটবোল য়ুনয়নগী ওইনদি ন্যুট্রেল ওইবা মফমশিংদা য়েংবা লাকপা মীওইশিং য়াওদনা শান্নবা য়াগনি। স্পোর্টস ফেদরেসন অমদি ক্লবশিংনা কম্পিটিসন কয়া কেন্সেল তৌবা হৌনখ্রবা মতুং ফিফানা মখোয়গী ওইবা ফিরেপ অসি লৌরকখিবনি।

জেক রিপব্লিক, পোলেন্দ অমসুং স্বিদেন্নসু মথং থাদা শান্নগনি হায়না তৌরম্বা ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফয়র মেটচশিংদা রসিয়াগা শান্নমিন্নরোয় হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। তুংদা থোরক্কদবা মরম কয়া য়েংলুরগা রসিয়াগী টিমনা মেটচ শান্নমিন্নরোই হায়নসু ইংলেন্দগী ফুটবোল এসোসিএসন্না ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক কম্মিটিনসু ইন্টরনেসনেল ফুটবোল ফেদরেসনদা রসিয়া অমসুং বেলারসতা হান্না পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ইন্টরনেসনেল মেটচ খুদিংমক কেন্সেল তৌনবা খঙহনখ্রে। হৌখিবা শগোলশেননুমিত্তগী হৌরগা রসিয়াগী লান্মীশিংনা য়ুক্রেনগী মথকতা লান চথবা হৌখিবনি। বেলারস ফাওরগা রসিয়ান ট্রুপশিংনা য়ুক্রেনদা চৎপনা মরম ওইরগা বেলারসতা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা টুর্নামেন্টশিংসু কেন্সেল তৌনবা ফিরেপ লৌখিবনি। অমরোমদা স্বিদেন, পোলেন্দ অমসুং জেক রিপব্লিকনা ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফয়রদা রসিয়াগা টিমগা মেটচ শান্নরোয় হায়না ফিরেপ লৌখ্রবনিনা মদুগী ওইবা সোলুসন অমা অথুবা মতমদা পুথোক্লবা হোৎনরি হায়না ফিফানা ফোঙদোরক্লি।

# পেনালটি সুট আউটতা লিভরপুলনা চেলসী থোইখ্রে

লন্দন, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সি):
মীয়াম্না করাবাও কপ হায়রগা হেন্না খঙনরিবা ঈ এফ এল কপকী ওইনা ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটতা লিভরপুলনা য়াম্না ৱানা চেসিবু পাঞ্জল ১১-১০ দা মায়থিবা পীবা ঙমখিবগা লোয়ননা কপ অসিগী টাইটল ৯ লক লৌবা ঙমখ্রে।

য়ু কেগী ৱেমব্লি ষ্টদিয়মদা টিম অনীগী মরক্তা ঙরাং কপ অসিগী ফাইনেল মেটচ শান্নখি। নাকল অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীমক্লা য়াম্না চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমগী মায়কৈদা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং অরেম্বদা তাখি। টিম অনীমক্কী প্লেয়রশিংগী হৈ শিংবা মান্নখিবনা মরম ওইরগা করম্বা টিমনা মেটচ অদু থোইগদগে হায়বা য়েংবা লাক্লিবা মীওইশিংনা হায়বা ঙম্নখিদে। মেটচ অসিগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্লা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবদগী পাঞ্জল ০-০ দা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ওইনা শান্নখিবা অদুদসু চপ মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা মেটচ অসিগী অরোইবা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। মেটচ অসি লোইদ্রিঙৈগী মমাংদা চেলসিনা লিভরপুলগী মায়োক্তা পাঞ্জল অহুম চনখি। অদুবু ওফ সাইদকী ফ্লেগ থাঙ্গৎপা হানখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চল্লে হায়না খঞ্জখিবশিং অরেম্বদা তাখি। লিভরপুলগী মায়কৈদগী চপ মান্নবা মওংদা পাঞ্জল চনখি অদুবু ওফ সাইদ তাখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল অদু কাউন্ট তৌখিদে।

মেটচকী অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা পেনালটি কাউনখি। অহানবগী ওইনা শান্নরোয় ৫/৫ না পেনালটি কাউনখি। অমদি খুদিংমক পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙম্নখিবদগী মখা তানা পেনালটি অদুম্মক কাউনখি। মখা তানা পেনালটি কাউনখিবা অদুদা লিভরপুলনা চেলসীবু পাঞ্জল ১১-১০ দা মায়থিবা পীদুনা করাবাউ কপকী টাইটল অসি লৌখিবনি।

অমরোমদা ঙরাং মেটচ শান্নখিবা টিম অনীমক্লা য়ুক্রেনগী মথক্তা রসিয়ানা কা হেনবা থৌওংশিং চথরিবা অদুবু কন্দেম তৌখি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১।০৩।২০২২ ইং, লৈবাকপোকপা;
ফাইরেলগী ২৯ নি পানবা।

**মেষ:** লম খুদিংমক্তা মায় পাকচবা নুমিৎনি। নচাক নরল চাওখৎপা, মীয়াম্না শকখংবিবগী নুংঙাইজবা, নাইতোম ৱা তুপথোকপা ঙমজবা, শেন্দোং চাওনা ফংজবা লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**বৃষ:** য়ুমগী ৱা তাবা, কিদবা অমদি থৌনা ফুদোকপনা লম খুদিংদা উপাই ওইগদবা নুমিৎনি। হোয়া ফবা, ৱা-শোয়বা অমদি হেন্না অশা চাওবনা খ্বাইদগী মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পূক্নিং ফাথনা লৈউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/হিগোক

**মিথুন:** অফ-ফত্ত য়ান্নে। য়েৎনবা য়াবা মরমদা য়াওরুদ্রবা অমদি খাঙবা কল্লবা মাঙবা লৈরোই। লৈজবা লৌশিং ফুদোক্লবা অমদি নচা-ননাইগী ৱা তারবা মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাল্লুগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কর্কট:** নীংবা থুংজবা, হকচাং নুংঙাইবা হেনবা অমদি অনৌবা থৌরম পাঙজবগী নুংঙাইবা লৈ। পাউ নুংঙাইবা তাগনি অমদি থাজদবা ওইজ-ওইথক ফংবগীসু নুংঙাইজে।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফরে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

**সিংহ:** মীঙচং হেনগৎপগী নুংঙাইজবা, চাদিং হন্থবা, শেন্দোং য়াম্না লৈবা অমদি মরুপ মপাং লোয়নবগী কান্নজবা লৈগনি। অঙম্বনসু চানবীগনি। নোল্লুক্নদি চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**কন্যা:** শাওনিংবা, মতম মাঙবা, নক্লবশিংগা মরী ফৎনদবা অমদি হকচাংসু নুংঙাইবা ৱাৎপা নুমিৎনি। মতম হৌহনখো অমদি নথক থোংবগী ৱানা উকল ওইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাংতক্লগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**তুলা:** মীতোপ্পা নথক থোংবদা লান্না তমশিনবা অমদি হন্থবা লোয়নবনা লমচৎ কাম্বা য়াবা লৈ-পংথগনু। য়েক্লবদি হন্থগনি, লান্দবনা মায় পাকপা পুরক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম ঙাইখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**বৃশ্চিক:** হরাওবা নুংঙাইজবা, লাই-গুরুনা চানবীবা অমদি মীয়ামগী মতেং ফংজবৈ নুংঙাইজবা নুমিৎনি। ইমুংদা হুরানবনা য়েংথি, মরুপ মপাংগা অঙম তান্নবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**ধনু:** তপথৌ অমদি চিন কনগনু- লৌশিং চাওবগী ৱা তাদ্রবদি নকন্থিনা নরল মাঙহঞ্জবা অমদি চিন শোয়রগা শেলনা মেনবা লৈগনি। অরুবা ৱাফমদা ৱা তুপকনু।
লৈশা পাখংশিংগী- অশাওবনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

**মকর:** হরাওবা নুংঙাইবা, নীংবা মপা চাবা অমদি শেন্দোং তানবদা চাওনা মায় পাকচবা নুমিৎনি। অদুবু হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎপা, য়েৎনবদা ঙম্বা ৱাবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক

**কুম্ভ:** চিংনবা, মীয়ামগা মরী ফবা ৱাৎপা অমদি লৌশিং ফুদোকপা ঙমদবা নুমিৎনি। অদুবু হেন্না খঞ্জিনগনু অমদি মীৱা লৌগনু-লায়বক ফবা লাক্লনি ঙাইবা কল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- পেন্থোকপা তম্মু।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা

**মিন:** য়েক্লবনা মাঙহনবা ঙমদনবা নোল্লুক্লা চৎলু অমদি নাইতোম অরুবা থৌ পাঙগনু। মীগী মতেং অমদি নীংবা মপা চাবগী নুংঙাইবদি ফংগনি। শেন্দোং লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




LOAN AVAILABLE

EMPLOYMENT NEWS
> IMPHAL BRANCH:- Security/Gunman-2
> SEKMAI, MOIRANG,NAMBOL,THOUBAL,KAKCHING BRANCH:- Office Asst.-2,Grade IV-2
> SAMUROU BRANCH:- Office Asst.-2,2 wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2,Tyre fitting helper-2

L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
CONTACT No.:- 9774495994/8731978490
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
OFFICE HOUR:
10.00AM TO 4.00PM
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP.,
NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KAKCHING IRUM LAMDONG,SEKMAI KOUJENGLEIMA.
HL-B/7466/15/2-18/4 (alt)


# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



## PUZZLE NO. 386

**GM Andreikin, Dmitry (2724) - IM Migot, Tangi (2353)**

**Titled Tue 8th Feb Late chess.com INT (1), 2022.02.08**

| | | |
|---|---|---|
| 1.d4 d5 | 2.c4 c6 | 3.Nf3 e6 |
| 4.Nbd2 Nf6 | 5.g3 c5 | 6.Bg2 Nc6 |
| 7.cxd5 exd5 | 8.O-O cxd4 | 9.a3 Bd6 |
| 10.b4 O-O | 11.Bb2 d3 | 12.exd3 Bf5 |
| 13.Nb3 a5 | 14.b5 Na7 | 15.a4 Nc8 |
| 16.Nh4 Be6 | 17.Nd4 Nb6 | 18.Ndf5 Bxf5 |
| 19.Nxf5 Bc5 | 20.Qc1 Nbd7 | 21.Bxd5 Nxd5 |
| 22. ... | | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 385 Ans. :**
23. Ba6 Mating net bxa6 24. d6 Mating net Qxe5 25. Qc7#
Lolli's mate
1-0

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com